**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 12-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মশাগী হক ফংননবা বৃটিশ লোইলম সাসনগী মায়োক্তা থৌনা ফনা লান্থেংনখিবী ইমাশিংবু নিংশিংদুনা ঙসি নুপী লাল নুমিৎ নীংশিং থৌরম পাক শন্না পাঙথোক্লি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল অথোকপমদগা প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অহুম ফারে।

অমসুং

৩) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- মরোমদোম লেপচনবগী ৱাখল্লোন অমদি লোকেল বোদিশিংদা নিংথিনা শক্তি শিন্নরবা মতমদা চাওখৎলবা ভারত অমা পুরকপা ঙমগনি।

------

নুপীলাল(এল)ঃ মনিপুর অমসুং মণিপুরীশিংনা খুন্দাবা মালেমগী অতৈ মফমশিংদা ঙসি নুপী লাল নুমিৎ নীংশিং থৌরম পাক শন্না পাঙথোকরি।

ইং কুমজা ১৯৩৯ দা, পোইনুগী লৌ লোকপা লোইখিবদা ঙাইরিঙৈদা, মতম অদুগী বৃটিশ লোইলম লৈঙাকা মিলদা চেং তক্কুনা মণিপুরগী ৱাংমদা চেং কা হেন্না পুথোকখিবদগী কৈথেলদা চেং ৱানগে হায়বা ফংলক্তবদগী মতম অদুগী কৈথেল ফম্বী নুপীশিংনা লমজিংদুনা নুপী ময়ামা অকনবা খোঙজং চংশিল্লকখি। মদুদা বৃটিশ সিফাইশিংনা ইরাং অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা নোংমৈনা কাপ্পা অমসুং সংগিন্না থিনবদা মীশি মীনা থোকখিবা থৌদোক অদুবু নিংশিংদুনা চহি

খুদিংগী নুপীলাল নিংশিং থৌরম পাঙথোক্কুনা লাক্লি। মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ইম্ফালগী নুপী লাল মেমোরিয়েল কমপ্লেক্স অমসুং জি.পি. ৱিমেন্স কলেজগী সেন্ত্রেল হোলদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি- নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংদুনা মীয়ামনা নুপী লানদা শরুক য়াখিবীশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

নুপীলান নুমিৎ লাকপদা মণিপুরগী রাজ্যপাল, মুখ্য মন্ত্রি অমসুং লুচিংবা কয়ানা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

রাজ্যপালগী পাউজেলদা হায়- নুংঙাই য়াইফবা অমসুং শান্তি ওইবা রাজ্য অমা ওইহন্নবগীদমক অরানবগী মায়োক্তা অমসুং মখোয়গী হক্কীদমক লেপখিবী থৌনা ফবী মণিপুরী ইমাশিং অদুগী তুং ইন্নবা হোৎনরশি।

মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী পাউজেলদা হায়- মতম অদুগী থৌনা ফরবী ইমাশিং অদুগী থৌনা লিংজেলগী মমি ঙসিগী মণিপুরী নুপীশিংদা তারি। ঙসিদি মণিপুরী নুপীশিংনা সরকার অমসুং প্রাইভেট ইন্সটিট্যুসন কয়াদা মরুওইবা পোষ্টশিং পায়দুনা জাতি অসিবু শেমগৎপদা চাউনা থৌদাং য়ারি। ইমাশিং অদুগী থৌনা লিংজেল নৌহৌননা নিংশিংদুনা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম অমদি শান্তিদা শিংনরক্লিবশিং অসি থেংনমিন্নদুনা মায়থিবা পীবা মতম ওইরে হায়না মুখ্য মন্ত্রি মখা তানা ফোংদোক্লি।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়- মণিপুরগী মরুওইবা থৌদোক ৱাথোকশিংদা নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা থৌনা ফরবী লমদমসিগী নুপীশিংনা কৎথোকখিববু নৌহৌননা নীংশিংহল্লি।

শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাওজম বশন্ত কুমার সিংহনসু নুপীলান নুমিৎনা লাকপদা রাজ্য অসিগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা হায়-থৌনা ফরবী নুপীশিং অদুনা পামজরম্বশিং অদুবু ইকাই খুমদুনা নুপা নুপী খেৎনবা থমদবা অমসুং শক্তি পীবা হায়বা ঐখোয়গী ফীরেপ অমুক হন্না চেৎশিলহনলসি।

হকশেল অমসুং য়াইফ যুম্বাল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন্না পীবা পাউজেলদা

হায়- থৌনা ফবী নুপীশিং অদুনা অচুম্বা ৱায়েল অমদি নিংতম্বগীদমক অখাকপা লৈতনা কৎথোকখিবা অদুনা হৌরক্লিবা মীরোলবু লমজিংবীরি। মখোয়গী শেংলবা ৱাখল্লোন অদুনা হেন্না চাওখৎপা মণিপুর অমা পুরকপদা মতেং পাংবা ওইরসনু হায়রি।

ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইনা পীবা পাউজেলদা হায়- নুমিৎ অসিনা লাকপদা থৌনা ফরবী মণিপুরী ইমাশিং অদুগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি। পালন নুমিৎ অসিনা লাকপদা মণিপুরী মীয়ামগী মরক্তা অপুনবগী শক্তম অমা শাগৎতুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা লমদম অমা ওইরসনু।

নুপীলাল নীংশিং নুমিৎ লাকপদা মণিদকোগী চেয়ারমেন কোংখাম রোবিন্দ্রোনসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

অমরেমাদা, ইম্ফালগী নুপী লাল কমপ্লেক্স অমসুং জে.পি. ৱিমেন্স কলেজগী সেন্ত্রেল হোলদা ঙসি পাঙথোক্কদৌরিবা নুপীলাল নুমিৎকা মরী লৈননা গাড়ি চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈরগনি হায়রি।

ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিং-মনিপুরগী এস.পি-প্রমেস অরাম্বমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-ইম্ফাল ইষ্টরোমদগী জেনরেল পোষ্ট ওফিস তমা লাকপা গাড়িশিং মোইরাংখোমলোমদা চৎকনি। শিংজমৈদগী লাকপা গাড়িশিংনা মোইরাংখোমদগী হাইজিল্লগা কৈশামথোংলোমদা চৎকনি।

থৌরম পাঙথোকফমদা মতম মতমগী ওইনা গাড়ি চংথোক চংশিনদা অহোংবা লৈগনি। অদুমওইনমক, ইসেন্সিএল সার্ভিস গাড়িশিংগী ওইনদি থৈদোক থৈজিন লৈরোই হায়রি।

এরেষ্ট (এল)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং মরিসুবা অসাম রাইফলসকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং থৌবাল অথোকপমদা লৈবা ঐচ.দি.এফ.সি বেঙ্ক মনাক্তগী প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অহুম ফারে। মখোয়দগী হেন্দগ্রেনেদ অমা অমসুং লুপ অসিগী দিমান্দ লেট্টর মঙা ফংলে। মখোয় মীয়াম, স্কুল, কলেজ অমদি সরকারগী ওফিসশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি।

এৱারনেস (এল)ঃ   মাউন্টেন সোলুসন্স ফোর এ সষ্টেনেবল ফ্যুচর হায়বা হিরমদা ঙরাং চান্দেলগী লাম্বুংদা লৈবা অনাললোন খৃষ্টান ইন্সটিট্যুটতা ২০ শুবা ৱার্ল্ড মাউন্টেন ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজননা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবগী থৌরম অদুদা মীওই ৩৫০ রোমা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, তমেংলোং জিলাগী মকুৱাই ভিলেজদা ঙরাং তুরেল অমসুং উমংগী শরুকশিং ঙাক শেন্দুনা থমবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- থাউ লৈফমশিং খঙদোকবা সর্ভে চখরিবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মরম কয়াদগী মহৌশাগী অকোইবগী ফিভমদা শিংনরক্লিবা কয়া অদুগী য়েংলগা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

কার্দ (এল)ঃ   প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা য়োজনাগী হকশেলগী কার্দ শাবগী থৌরম অমা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী উৎলৌদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারগী লমজিং মখাদা পাঙথোকখিবনি।

ভোতর (এল)ঃ   থোংজ্ কেন্দ্রগী ওইনা ভোতর লিষ্টতা মীং হাপচিনবা, চুমথোকপা অমসুং ককথৎপগা মরী লৈনবা হিয়ারিং হয়েং পাঙথোক্লগনি হায়রি। ক্ষেত্রিগাউ সি.দি ব্লোক্কী ইলেক্তোরেল রেজিষ্ট্রেসন ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমদা ৱাফম অসি ফোংদোরকপনি। ঙরাংসু ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী ভোতর লিষ্টতা মিং হাপচিনবা, চুমথোকপা অমসুং ককথৎপগা মরী লৈনবা হিয়ারিং পাঙথোকখি।

রাষ্ট্রপতি ঃ  রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- মরোমদোম লেপচনবগী ৱাখল্লোন অমদি লোকেল বোদিশিংদা নিংথিনা শক্তি শিন্নরবা মতমদা চাওখৎলবা ভারত অমা পুরকপা ঙমগনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং নেসনেল পঞ্চায়ট এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমদা রাষ্ট্রপতিনা হায়- পঞ্চায়টশিংনা মখোয়গী লৈজরিবা রিছোর্সশিং শিজিন্নদুনা মরোমদোম লেপচবা ঙমবগী ৱাখল্লোনদা থবক তৌগদবনি। মরোমদোম লেপচবগী ৱাখল্লোন্না মশানা মশাবু থাজবা হেনগৎহন্দুনা মপাঙ্গল কনবা লৈঙাক অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইগনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৬৪ রোমদি খুঙ্গংগী লমদা লৈরি। চাওখৎলবা ভারত অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা খুঙ্গংগী লমদা অহেনবা শক্তি পীবগী তঙাইফদবা লৈ। হৌখিবা চহি ১০ রোম অসিদা সরকারনা পঞ্চায়টশিংদা শক্তি পীনবা অকনবা থবক লৌখৎলকপদগী শিংথানিঙাই ওইনা অহোংবা পুরকপা ঙমলে।

স্পেচ ঃ কেন্দ্রগী সাইন্স এন্দ টেকোলোজিগী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি- কুমজা ২০৩৫ দা ভারত অন্তরিক্সা ষ্টেসন কৌবা লৈবাক অসিগী ওইবা স্পেচ ষ্টেসন অমা থল্লগনি। মসিগী মথক্তা কুমজা ২০৪০ ফাওবগী মনুংদনা থাগী লৈমায়দা ভারতনা খোঙদানবা হোৎনরি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মন্ত্রিনা হায়- স্পেচ থৌশিলবু নৌনা শেমদোক শেমজিন তৌবদগী লৈবাক অসি স্পেচকী লমদা মাংজিল থানা চংশিল্লক্লি। মহাকা হায়- হৌজিক ফাওবদা মীরৈবাক্কী সেটেলাইট ৪৩২ ভারত্তগী থাগৎখ্রে। মসিগী মনুংদা চাদা ৯০ দি হৌখিবা চহি ১০ অসিগী মনুংদা থাগৎখিবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফম পাউচেদা মণিপুরগী মতাংদা লোক সভাদা অৱাই অখুম তৌনখ্রে, বি.জে.পিনা মণিপুরগী ইরাং লোইশিন্নবা জোর্জ সোরোসকী ৱাফম পুথোকপনি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনাৎলৈবাক পাউচেদা- টেক্স মতম চানা থিদবনা মীয়ামদা মৈ চাং নাইনা পীবা ঙমলোইদৌরে, পুলিস দিপার্টমেন্ট খক্তদা মৈগী টেক্স লুপা ক্রোর ১৫ তোল্লি হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা- ইরাং হৌদ্রিঙৈদা ইম্মিগ্রেন্টশিং খঙদোকপা হৌখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি মোর্নিং বেল অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- প্রিয়াঙ্কা গান্ধিগা উন্নদুনা এম.পি.সি.সিগী লুচিংবশিংনা মণিপুর ইরাংগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরে।

কমলবাবু মাংখিবগী থৌদোক মখা তানা থিজিনদুনা দিসেম্বর ১৯ দা রিপোর্ট পীখৎলকবা কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ মণিপুর নিউজগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- মণিপুরগী হ্যুমেনিতরিয়ান ক্রাইসিসকী মতাংদা কংগ্রেসকী লুচিংবা গৌরব গোগোইনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা ৱাহং হংখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- নুপীলাল নীংশিং থৌরমগী শেম শাবা লোইরে, লুচিংবশিংনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি হায়বা পাউনা অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা- গামগিফাইদা আইন কায়না শেল খোমগৎলে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- কমলবাবু মফম খঙলক্তবা নুমিৎ ১৭ নি শুরে, হাই কোর্টনা শেমখিবা ইনক্কারি কমিতিনা সিল্ড কোভরদা রিপোর্ট পীখৎলকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- বরাক তুরেলগী চেন্থরক্লিবা ঈচেলসিনা মণিপুরদা শান্তি পুরকপা ওইরসনু হায়না লিয়া ভিলেজগী চীফনা ফোংদোকফিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেলদা- নোংমগী ওইবা কম্যুনিতি কন্সলটেসন অমা তুরেল, লম অমদি উমং য়োকখৎপগী মতাংদা তমেংলোংগী তৌসেম সব-দিভিজনগী মকৌ খুঙ্গংদা পাঙথোকখিবগী পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- আই.টি.এল.এফ অমদি কোতুগা কংগ্রেসকী লুচিংবশিংগা মান্নদুনা ইরাং থোকহল্লে হায়না মণিপুর য়ুনিতকী বি.জে.পিনা মরাল শিখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরি।

------